# হুইয়েন লানপাউ

Refreshingly Reliable — The messenger of the masses


লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লুবগুম ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শীন্দুনা পাঙথোকপা পুলিস কম্মেমোরেসন দে থৌরমগী শক্তম


লামায় ৫

য়ূমগী ফ্লোরিং শেম শাবদা চঙবা পোৎলমশিং ফংগদবা ঈয়ুম ষ্টোর হায়না মিংথোনবা ষ্টোর অমা হোদাম লৈরক্তা হাংদোকপগী রিবন ককপগী শক্তম


লামায় ১

প্রিভেন্সন ওফ ট্রাফিকিং ওফ গার্লস ফোর কম্মর্সিএল সেক্স্যুএল এক্সপ্লোইটেসন ইন হিলস দিষ্ট্রিক্ট ওফ মণিপুর হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা ৱার্কশোপ


লামায় ৩

সাহিত্য য়োকখৎ কাঙলুপ তেন্থানা শীন্দুনা তেন্থা খোংবান্দা লৈবা মান্দপ্তা পাঙথোকপা নেসনল য়ুঠ এৱার্দী রাকেশ নাওরেম ওকপগী থৌরম


লামায় ৫


Vol. 42, Issue No.209 | নিংথৌকাবা, মেরা ১৩নি পানবা, | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Monday, October 22, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৭৭.১৪

দিজল : লিটরদা লুপা ৭০.৪৮

## কে এস এনা য়ু এন পি ওদা ৱাকৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২১ : মণিপুরগী অপুনবা শক্তম অমদি ঙমখৈ কায়হন্দনবগী মতাংদা কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)না অনরিপ্রজেন্টেদ নেসন এন্দ পিপল ওর্গনাইজেসন (য়ু এন পি ও)দা ৱাকৎখ্রে। কে এস এগী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম চেত্তন, ভাইস প্রসিদেন্ট সুখাম বিদ্যানন্দ অমদি জেনরেল সেক্রেটরি সেরাম হেমজিৎনা খুৎয়েক পীরগা য়ু এন পি ওগী সেক্রেটরি জেনরেলদা থাখিবা ৱাকৎ চে অদুনা হায়, মণিপুরগী অপুনবা শক্তম অমদি ঙমখৈদা আই-এম অমদি মসিগা চৎমিন্নবা খোঙবুশিংনা মতম কয়াগী মমাঙদগী শিংনদুনা লাক্লি। মীয়াম্না মায়োক্লদুনা লাক্লবসু আই-এম অমদি চৎমিন্নবা কাঙবুনা অপুনবগী শক্তমদা লেপ্তুনা শিংনরকপা মরম্না য়ু এন পি ও, য়ুন এন হায় কম্মিসন ফোর হ্যুমেন রাইটস অমদি সেক্রেটরিএট ওফ দি পর্মেনেন্ট ফোরম ওন ইন্দিজিনস ইশ্যুদা মীৎয়েং চঙবিদুনা অপুনবা শক্তম অমদি ঙমখৈ কায়হন্দনবা থৌরাং লৌখৎপিয়ু হায়রি।

## HL POLL

Q : Manipur Police ki personnel singna state ashida lagao sannaba thingba ngamgani haina khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Lalhoubana security force ta attack toubada mafam matam leite haiba wafamsi achumbani khanbra?

Yes 55% No 45%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

## অ ঈং-অশাগী পাউ

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
| --- | --- | --- |
| বিষ্ণুপুর | ২৭.৯০ °C | ১৫.৬৮ °C |
| চান্দেল | ৩৩.৭০ °C | ১৫.৮৪ °C |
| সীসীপুর | ৩০.৪৫ °C | ১৬.২৬ °C |
| ইম্ফাল | ৩১.৫৩ °C | ১৪.৬৩ °C |
| সেনাপতি | ২৮.৬৫ °C | ১২.০০ °C |
| তমেংলোং | ২৪.৮২ °C | ১৫.০২ °C |
| থৌবাল | ২৯.০৬ °C | ১৫.৮২ °C |
| উখ্রুল | ২৪.৭১ °C | ১২.২৩ °C |
| মণিপুর | ৩৩.৭০ °C | ১২.০০ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০৬ এম এম

নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.১৬

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৪২

দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
| --- | --- |
| Euro | 84.536728 |
| US Dollar | 73.341629 |
| British Pound | 95.875652 |
| Australian Dollar | 52.262110 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.595662 |
| Japanese Yen | 0.652105 |
| Malaysian Ringgit | 17.653792 |
| Australian Dollar | 52.262110 |
| Singapore Dollar | 53.259308 |
| South Korean Won | 0.064892 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.557768 |
| Thai Baht | 2.248347 |
| Myanmar Kyat | 0.04618 |
| Bangladesh Taka | 0.87529 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | |
| --- | --- | --- |
| Chennai | – | Rs 32481.28 |
| Mumbai | – | Rs 33262.03 |
| Delhi | – | Rs 33155.08 |
| Kolkata | – | Rs 33465.24 |

## অস! লোইরেহে!

ইবাই, মোরাসিদা ফম্বীয়ু…!



করি মিঙ্গৌনো, নুপীনবু নুপাদা ইবাই কৌনৱা…!

# এন আই এনা খ্বাইদগী পাম্না ফাননবা তান্নরিবা লালহৌবশিংগী লিষ্ট থোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্তোবর ২১ (এজেন্সী):

নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ)না খ্বাইদগী পাম্না ফাগদবগী তান্নরিবা মীওইশিংগী লিষ্ট থোকখ্রে। লিষ্ট অসিদা কে ৱাই কে এলগী চ্যেরমেন নামোইজম ওকেন য়াওই হায়না ফোঙদোরক্লি।

ত্বিটরদা থাদোরকপা লিষ্ট পল্লদুনা নোর্থইষ্ট টুদে পাউচেগী রিপোর্টনা হায়, এন আই এনা খ্বাইদগী পাম্না ফাগদবগী তান্নরিবা মীওইশিংদি কংলৈ য়াওল কন্না লূপ (কে ৱাই কে এল)গী নামোইজম ওকেন, য়ুনাইটেদ নেসনল লিবরেসন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ)কী খুন্দোংবম তোম্বা, নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালেন্দ (খপ্লাং)গী লেফটনেন্ট জেনরেল নিকি সুমি, নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালিম-আইসাক মুইভা (এন এস সী এন-আই এম)গী হংসি রামসন তাঙ্খুল, য়ু এন এল এফকী এল ইৱানথাবা, লূপ অসিগী নারেংবম মার্জিৎ, এন এস সী এন (আই-এম)গী টি আর কেলভিন, য়ু এন এল এফকী ৱাই নবিনচান্দ, এন এস সী এন (কে)গী ষ্টারসন লমকাং, কে ৱাই কে এলগী মোইৱাংথেম উত্তম, লূপ অসিগী লাইশ্রম জিনেন, লূপ অসিগী লান্দাবা। বিমল নার্জরি, খুতোহো, কুঘাইতো




অচুমি, উরিকখিনবম বুধিচন্দ্র, রাকেব বাসুমতরি, এস ব্রহ্ম, জমফ্রো দাইমারি, জোথন, সাইলা বাসুমতরি, অঞ্জেলস বাসুমতরি, বুধ মুশাহারি, লাল বাবু বসুমতরি, দোঙ্গ্রা ব্রহ্ম, গোলাও ব্রহ্ম, উপেন বাসুমতরি, বিনোদ মুশাহারি, বিষ্ণু গোয়ারি, সোংবিজিৎ ইংতি কাথার, নরেন কালিতা, তিৱাজিৎ বারুৱা, জিবোন মরান, ডো. প্রানমে অসোম, অরুনোদাই দহোতিয়া, গনেশ লাহান, অভিজিৎ অসোম, দ্রিষ্টি রাজখোৱা, পরেশ বারুৱা, অকাহো, লালহাকথাঙ্গা, সবুজ চকমা, রোবী চকমা অসিনচিংবনি।

কে ৱাই কে এলগী চ্যেরমেন নামোইজম ওকেন ফানবা পাউ পীবা ঙন্বা মীওইদা লুপা লাখ ৫গী মনা পীগনি হায়না এন আই এনা লাউথোকখি। লূপ অসিগী মোইৱাংথেম উত্তম ফানবা পাউ পীবদা লুপা লাখ ২, লাইশ্রম জিনেন ফানবা পাউ পীবা ঙন্বদা লুপা লাখ ২ অমসুং লান্দাবা ফানবা পাউ পীবা ঙন্বদসু লুপা লাখ ২গী মনা পীগনি হায়না লাউথোকখি।

এন এস সী এন (কে)গী লেফটনেন্ট জেনরেল নিকি সুমি ফানবা পাউ পীবা ঙন্বা মীওইদা লুপা লাখ ১০ পীগনি হায়নসু এন আই এগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সগী পাউনা ফোঙদোক্লি। এন এস সী এন (কে)গী ষ্টারসন লমকাং ফানবা পাউ পীবা ঙন্বা মীওইদনা লুপা লাখ ৭কী মনা পীগনি হায়রি। এন আই এনা ইকোন কোনবা ওইনা থাদোরকখিবা খ্বাইদগী পাম্না ফাগদবগী তান্নরিবা মীওইশিংগী মনুংদা শেলগী মনা পীগনি হায়না লাউথোকপা মীওই ৫৭ য়াওরি।

লাস্কর-ঈ-তোইবগী মকোক হাফিস সায়িদ, হিজবুল মুজাহিদীনগী লুচিংবা সায়িদ সলাহুদ্দিন অমদি ২৬/১১ হায়না খঙনবা মুম্বাইদা বোম মথং-মথং পোকখায়হনখিবগী থৌদোক্তা মপূং ওইনা চেন্নবা জাকি-উর-রহমন লখবীসু এন আই এগী লিষ্টতা য়াওরি। এন আই এনা থাদোরকখিবা মীওই ২৫৮গী লিষ্টতা নুপী ১৫ য়াওরি। মীওই ৫৭ তি ফানবা পাউ পীবা ঙন্বা মীওইদা শেলগী মনা পীগনি হায়না ফোঙদোক্লি।

শেলগী মনা খ্বাইদগী চাওনা লাউথোক্লবা ...মখা লামায় ৩ কলম৪

# সী বি আইনা মশামক্কী স্পেসল দিরেক্টর বুক তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্তোবর ২১ (এজেন্সী):

লৈবাক অসিগী মাঙজিল থাবা ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সি অমা ওইরিবা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)না এজেন্সি অসিমক্কী স্পেসল দিরেক্টর রাকেস অস্থনাবু শেনজা-থুমজাগী ৱাথোক অমগা মরী লৈননা বুক তৌখ্রে।

এজেন্সিগী পাউনা হায়, কুমজা ১৯৮৪ বেটচকী আই পি এস ওফিসর অস্থনানা লুপা ক্রোর ২ অরানবা মওংদা লৌখিবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা শেনজা-থুমজাগী কেস কয়াদা চেনরম্বা থেংনখি। সী বি আইনা হীরম অসিগী মতাংদা ওফিসল ওইবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকখিদবা তারবসু তোঙান-তোঙানবা ছোর্সনা সী বি আইগী অনীশুবা খ্বাইদগী সিনিয়র ওইরবা ওফিসর বুক তৌরে হায়বা ৱাফম অসি অচুম্বনি হায়না এজেন্সি অসিদা ফোঙদোরকখি।

রিপোর্ট অমনা হায়, মনোজ কুমার কৌবা শেনজা-থুমজাগা মরী লৈননা ফারবা মীওই অমনা রাকেস অস্থনাদা লুপা ক্রোর ২ পীখি হায়না মেজিষ্ট্রেট অমগী মমাঙদা ষ্টেটমেন্ট পীখ্রবা মতুংদা সী বি আইগী অনীশুবা খ্বাইদগী সিনিয়র ওইবা ওফিসর অদু বুক তৌখিবনি।

মমাঙদা রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আর জে দি)গী লুচিংবা লালু প্রসাদ য়াদবকী ইমুং চেন্নবা শেঞ্জা-থুমজাগী কেস অমা থিগৎপদা সী বি আই দিরেক্টর অলোক বর্ম্মানা খুৎ থিজিল্লক্লে হায়বা অস্থনানা ৱাকৎপা লৈখ্রবনি। সী বি আইনদি অস্থনাগী ৱাফম অদু য়ুমফম য়াওদবনি ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# টিএস এ : মোরেদা ট্রাইবেলগী লম খোপচিনবা য়ারোই

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২১ (ঐচ এন এস):

মোরেগী চিক্কিম ভিলেজদা ট্রাইবেল নৎতবা মীওইশিংনা ট্রাইবেলগী লম লৌশিন্নবা হোৎনরকপগী মায়োক্তা থাদৌ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (টি এস এ)না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

লূপ অসিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মোরেগী চিক্কিম ভিলেজদা ট্রাইবেল নৎতবা মীওই খরনা য়ূম শাজিল্লক্লে হায়বা পাউ তাবদগী টি এস এনা মফম অদুদা চৎতুনা য়েংশিল্লুবদা য়ূম ১০০ রোম হেন্না শানবা থৌরাং লৌখৎলম্বা থেংনখি। ট্রাইবেল মীয়ামগী রাইটতা অতম্নরা শীংনবা মরম্না থৌওং অসি খূদক্তা লেপকদবনি।

মফম অদুদা শারম্লিবা য়ূমশিংগী মনুংদা অসাম রাইফলসকী তেংনৌপল বট্টালিয়নদা কম্মান্দিং ওফিসর ওইবা কর্নেল নেক্টার সিংহগীসু য়াওরমখি হায়না মরাল শীরি। চেরোল অসিনা হায়, আর্মি ওফিসর অসিনা লৈঙাক্কী ওফিসল খরগা তান্নরগা থৌরাং অসি লৌখৎলকপা ওইরমগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি। হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ফুরুপকী অয়াবা লৌখিবা লৈতে।

কুমজা ১৯৯০গী অঙনবা শরুক্তা কোন্দোং লাইরেম্বীগী লাইশঙ শানবা লম মচেৎ অমা পীবীয়ু হায়জরকপা লৈখি ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# হিদাক লৈবা লাকপা মীওই অমা ফুরগা শেল মুনবনি হায়বা এস আই অমা সস্পেন্দ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২১ (ঐচ এন এস):

ইমুং-মনুংদা অনাবা অমা য়াওরকপদগী হিয়াংথাং কৈথেলদা হাংবা ফার্মাসিদগী হীদাক লৈবা চৎখিবা মীওই অমা ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসনগী এস আই অমনা লুচিংবা টিম অমনা তপ তানা য়ৈবীরগা শেল মুনবীখ্রে হায়বগী ৱাথোক অমমুক থোরক্লে।

থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাং পুং ৯.৩০ রোম তাবদা থোকখিবনি। তপ তানা ফুবীরম্বদগী শোক্লে অমসুং শেল মুনবীখ্রে হায়রিবা মীওই অদুগী মমিং এম দি জহির (২৫) অপোকপগী মিং এম দি ফজরুদ্দিন কৌই। মহাক ভি দি এফকী পর্সনেল ওইনা ফেমিলি কোর্টতা পোষ্টিং পী। হীদাক লৈবা চৎপদু মহাক্কী মনাওনুপা রামেস খান (২২) অমদি লৈকায় অদুদা লৈবা এম দি সনি খান (২৮) অপোকপা এম দি ইস্লামুদ্দিন অমদি লৈকায় অদুমক্তদগী এম দি মাইকেল (২১) অপোকপা লৈখিদ্রবা অব্দুল জাবরগা লোয়ননা চৎপনি হায়রি।

ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মারুটি ৮০০ অমদা মখোয় মরি ঙরাং নুমিদাং হিয়াংথাং লাইরেম্বীগী মনাক্তা লৈবা ফার্মাসি অমদা হিদাক লৈবা লাকখি। অদুবু দুকান অদু থোঙ লোল্লম্বদগী চেপথরগা মী লৈব্রা য়েংবদা মী লৈবা উখিদে। মনাক অদুৱাইদা দিৱালি শান্নবা মফম অমসু লৈরমখি। তাল্লক্তুদা ৱাঙ্গোই পুলিসকী টিম অমা মারুটি জিপসিদা লাক্লগা মখোয়বু খাল্লগা চেক তৌখি। মখোয়গী মশাদা য়াওবা শেলশিং লৌখি হায়না মরাল শীরি।

মখোয়না মরাল শীরিবশিংগী মনুংদা এম দি জাহিরনা হিদাক লৈননবা পুরকপা লুপা ১০,০০০ অদুসু মুনবীখ্রে হায়বা য়াওরি। লোয়ননা মহাকপু গাড়ী মনুংদা হাপ্তুনা পুরগা অতৈনা থাদোক্লমখি হায়রি। জাহির ফাদুনা পুখিবা অদুগী খোঙ্গুল মখোয়গা লাকমিন্নবা মীওইশিং অদুনা লীরুবদা মহাকপু কম্মান্দো কমপ্লেক্স মনুংদা তমথিনা ফুরগা লৈরমখি হায়রি।

খুদক্তা মখোয়না ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসনদা কমপ্লেন তৌরুরবা মতুংদা অশোকপা অদু মখোয়দা শীন্নরকখি। অশোকপা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# বি জে পি লৈঙাক্না লৈখিদ্রবা রিশাংগী হকচাং মাগী পোক্লফমদা লৈরোন চনবা ঙমহনখিদে : কে রঞ্জিৎ

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২১ (ঐচ এন এস):

মশানা হিংলিঙৈদা মহাক্কী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং পোক্লফম লমদমদা লৈরোন চনবীনবা লাইওইখ্রবা রিশাং কৈশিংনা হায়জরম্বা ৱাফম বি জে পি লৈঙাক্না থবক্তা ওন্থোকপা ঙমখিদে হায়না কোংগ্রেস লুচিংবা কাঙুজম রঞ্জিৎনা মরাল শীখ্রে।

কুম্বী এ সীগী বোরায়াংবী থোংখোঙ কৈথেলদা কুম্বী ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙরাং নুংথিল পাঙথোকখিবা পোলিটিকেল কনফরেন্সতা ৱা ঙাংলদুনা এম এল এ রঞ্জিৎনা হায়খি, কাংপোকপীদা পাঙথোকপা মীয়াম তিনবা থৌরম অমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা




কোংগ্রেসনা চহী ৩০ পাল্লম্বদা তোখায় তানবা তৌবা নৎতনা করিমত্তা তৌরমদে হায়বা ৱাফম অদু মশানা মশাবু মশক খঙদবগী ৱাঙাংনি।

মহাক লৈঙাক পুবা হৈতবদগী ৱাখল মাঙলক্লে, মশানা মশাবু মশক খঙজদ্রে হায়বদু ঙাংথোরক্লিবা ৱাঙাং-শাঙাংশিং অসিনা তাকই। মহাক্কী মরূপ এন বিরেন অহানবা ওইনা দি আর পি পিদগী কারকপনি। থা খরখক পার্টি অদুদা লৈরম্লগা অমুক কোংগ্রেস পার্টিদা য়াওরকপনি। কোংগ্রেসকী চহী ১৫গী লৈঙাক মতমদা মহাক কেবিনেট মিনিষ্টর, কেবিনেটকী থাক্তা চ্যেরমেন ওইদুনা কোংগ্রেস লৈঙাক্কী অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা মীশকনি। চীংদা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং কয়াম তৌখিবগে হায়বদু বি জে পিগী এম এল এশিংনা খঙদ্রগসু মহাক ফাওবদি খঙফম থোকপনি। মসিমক খঙদে হায়বসি ৱাখল মাঙলবনি হায়বগী খূদমনি হায়নসু কে রঞ্জিৎনা মখা তাখি।

লাইওইখ্রবা রিশাং কৈশিং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

# ঈয়ুম ষ্টোর হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২১ (ঐচ এন এস): য়ূমগী ফ্লোরিং শেম শাবদা চঙবা পোৎলমশিং ফংগদবা ঈয়ুম ষ্টোর হায়না মিংথোনবা ষ্টোর অমা ঙসি কৈশাম্পাৎ হোদাম লৈরক ইম্ফালদা হৌনবী মতুংইন্না হাংদোকখ্রে।

ষ্টোর হাংদোকপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা ঈয়ুম ষ্টোরগী প্রোপাইটর রোবিন্দ্রো খন্নামনা ফোঙদোকখিবদা, ফ্লোরিং আইটেমশিংগী ওইবা ষ্টোর অমা হাংলিবসিগী মরুওইবা পান্দমদি য়ূম অমা শাবা মতমদা তঙাইফদবা ফ্লোরিংগী মচাকশিং ফংহন্দুনা লমদম অসিগী শেম্মীৎলোনদা করিগুম্বা মতেং খরা পাংবা ঙম্নবা হোৎনবনি। ঈয়ুম ষ্টোর অসিদা মখল খূদিংমক্কী ফ্লোরিং আইটেমশিং ফংহন্নবা মীৎয়েং থল্লি। ষ্টোর অসিদা টাইলস, ভিনাইল ফ্লোরিং, লামিনেটেদ ফ্লোর, আর্টিফিসল গ্রাসনচিংবা ফংগনি। অতোপ্পা ষ্টোরশিংদা টাইলস হায়রগা টাইলসতগী হেন্না ফংদে। অদুবু ঈয়ুম ষ্টোরদদি মখল খূদিংমক্কী ফ্লোরিং আইটেমশিং ফংহন্দুনা মীয়ামদা হেন্না খূদোংচাবা পীনবা হোৎনবনি হায়খি।

থৌরম অদু ইম্পেক্ট ন্যুজগী এদিটর রাজ নোংথোম্বমনা রিবন কক্তুনা হৌদোকখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা রাজ নোংথোম্বমনা হায়, ঈয়ুম ষ্টোর ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# ঠিএটর সেন্টর এৱার্দ ২০১৮ লান্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২১ : ঠিএটর সেন্টরনা শীন্দুনা ঙসি মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী হোলদা মণিপুর ঠিএটর দে পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ঠিএটর সেন্টর এৱার্দ ২০১৮ লান্থোকখ্রে।

ঠিএটর সেন্টর এৱার্দ ২০১৮গী ওইনা ললিত নীংশিং খূদোল ডো. এন প্রেমচান্দদা লান্থোকখি। কোস্মো এৱার্দ ২০১৮ না ককচীংতাবম বিহারিদা অদুগা ইবেচাওবী নীংশিং খূদোল ২০১৮ না এলাংবম ইন্দুদা লান্থোকখি। মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০/১০, ইনফি, সাইটেসন য়াওরি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুর সাহিত্য পরিষদকী প্রসিদেন্ট আই এস কাংজমনা হায়খি, মণিপুরী ঠিএটরদা মীয়াম্না চেন চোংমিন্নগদবনি। ঠিএটর দে অসি পাক শন্না খঙনবা হোৎনগদবনি। ৱর্ল্ড ঠিএটর দে লৈবাক খূদিংদা পাঙথোক্লে। মণিপুরগীসু খঙহন্নবা হোৎনবা চঙই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ঠিএটর সেন্টর মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ৱারেপ্পা নবা পদ্মশ্রীনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরগী ঠিএটর দে অসি অহল-লমনশিংনা খন্নরবা মতুংদা য়ানরগা লেপ্পীরম্বনি। ঠিএটর সেন্টরনসু পাঙথোক্তুনা লাক্লি। লিটরেচর, ফিল্ম, লীলা, দ্রামা, নট সংকীর্ত্তনবু ওইরবসু ঐখোয়সি তিন্নবা য়াদবদৌনা লাক্লি। ঐখোয় মশেল হন্থবা মীৎয়েং অমদা লৈবগুম তৌরি। অদুনা পূনশিন্নবা য়ানবা হোৎনবনি। মণিপুর লৈঙাক্কী ওইনদি তাররোই হায়না তাবীদ্রবনি। মসিদা ফনা হায়দুনসু শুকয়া য়ারোইদবা অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা ফিল্ম ফোরমগী চ্যেরমেন এস মাঙ্গোলজাওনা ফোঙদোকখিবদা, ঠিএটর ওলেম্পিক্তা হেন্না-হেন্না শরুক য়ানবা হোৎনসি। মসিদা লৈঙাক্লসু মীৎয়েং চঙহন্নীংই। ঠিএটরগা মীয়ামগা লাপ্পরিবসি লাপথোক্তনবা হোৎনসি। ফিল্ম, শুমাঙ লীলা অমসুং ঠিএটর অসি চাউখৎনবা পূনশিন্নদুনা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# য়ু সী এমগী মাস রেল্লিদা লূপ কয়ানা শৌগৎনরক্লি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২১ (ঐচ এন এস):

য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)না শীন্দুনা থা অসিগী ৩১ দা চৎকদৌরিবা মাস রেল্লিদা নুপী খুন্নাই কনবা লূপ ৱাঙ্খে খুনৌ সোইবম লৈকায়না মপূং ফানা শৌগৎকনি হায়না লূপ অসিগী সেক্রেটরি আই পি আরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ইন্দিয়া লৈঙাক্না এন এস সী এন (আই-এম)বু মপূক্লিং পেনহন্নবা হোৎনবদা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমবু থুগায়নবা শীল্লকপা য়ারোই। মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদা তেমশীংনরকপা কুমজা ২০০১গী থৌদোক ঙসিগী মীরোলনা কাউঙমদনা লৈহৌরগনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন (আই-এম) অনীগী নোংমৈ কাপ্পদবগী ৱারীদা ৱিদাউট টেরিটোরিএল লিমিট হায়বা ৱারোল য়াওরকপদগী ইমা লৈবাকপু নুংশিজবা মপারী-মমোম কয়ানা চঙশিল্লকখিবা ঙমখৈগী ঈহৌদা থৌনা ফরবা, ফরবী ১৮না থৱায়না পোন্থা পীখি। ঙসিসু মীয়াম্না কাউনদ্রি। ইরমদমগীদমক থৱায় কথোকপা ঙম্মী হায়বসি কুমজা ২০০১গী থৌদোক অদুনা ময়েক শেংনা তাকখ্রবনি।

ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদা তেমশীংনরকপা লেপত্রি। অমা নৎত্রগা অমদা হেক্তা তেমশীংনরকই। এন এস সী এন (আই-এম) অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অনীগী মরক্তা খুৎয়েক পীনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টদা মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট শোক্কদবা ৱাফম অমত্তা য়াওদে হায়না ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী মণিপুর মীয়ামদা হায়খিবা লৈরবনি। ঙসিনা নাগালেন্দ খক্তদা চৎনগদবা ৩৭১ (এ) নৎত্রগা সিক্স সেদ্যুল্ডগী ৱাফম পুথোরক্লিবা অসি মণিপুর মীয়ামবু নমথাক তৌবনি হায়না ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন (আই-এম) অনীগী থৌওং কন্দেম তৌই।

য়ু সী এমনা শীল্লিবা মণিপুর অপূনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই, ইন্দিয়াগী কাঙলূপ নাইবা থৌশিল মীয়াম্না য়ানিংদে হায়না চৎকদৌরিবা মাস রেল্লি অসিদা এন কে কে এলগী মায়কৈদগী শৌগৎলি। ইরৈচাশিংনসু ফুরুপ, কাঙলূপ খেন্নবগী ৱাখল থাদোক্তুনা পূন্না শরুক য়ামিন্নসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, য়ু সী এমনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ওক্তোবর মাস রেল্লি অসিদা হৈরোক য়ূঠ অন-ইমপ্লোয় টাটা মেজিক এন্দ ৱিঙ্গর ওনর এন্দ দ্রাইভর ৱেলফ্যের এসোসিএসননা গাড়ীগী অচৌবা মতেং পাংগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, রেল্লি অসিবু য়াওবা লাকপা মীওই খূদিংমক অতোংমল লৌদনা রেল্লি চৎকদবা মফম ফাওবা থিনগনি। মাস রেল্লি অসি ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# ‘মেরা হৌ চোংবা থৌরমগী শেনফম বজেটতা হাপ্লগনি’

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২১ (ঐচ এন এস):

মেরা হৌ চোংবা ফেষ্টিবেল ২০১৮ থা অসিগী ২৪ দা পাঙথোক্লবা শেম শারে। মথং চহীদগীদি মেরা হৌ চোংবা পাঙথোক্লবা চপ চাবা পর্মেনেন্ট বোদি থল্লগনি। বজেটতা শেল হাপ্লগনি হায়না আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নর এম লক্ষ্মীকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

কংলা উত্রাদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ষ্টেট লেবেল ওর্গনাইজিং কম্মিটি ওন মেরা হৌ চোংবগী কনভিনর ওইরিবা আর্ট এন্দ কলচর কম্মিস্নর এম লক্ষ্মীকুমারনা হায়খি, মেরা হৌ চোংবা থৌরম অসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। ষ্টেট লৈঙাক্না পূল্লগা থৌরম অসি পাঙথোকপা হৌরকখ্রে। থা অসিগী ২৪ দা সনা কোনুং অমসুং



কংলাদা পাঙথোক্কদৌরিবা মেরা হৌ চোংবা থৌরমগীদমক শেম শাবা লোইশিল্লক্লে। ষ্টেট লেবেল কম্মিটিগী চ্যেরমেন চীফ মিনিষ্টরনা ওইরি। চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী দি সীশিংদসু মেরা হৌ চোংবগা মরী লৈনবা পাউশিং খঙহনখ্রে। থা অসিগী ২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মেরা হৌ চোংবগী থৌরমদা চীংগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদগী খুল্লাকপা, চীফ অমদি চীংগী মীওই কয়া শরুক য়াগনি। মীওই ৪০০গী মথক্তা শরুক য়াগনি হায়না পারি। চীংদগী লাক্কদৌরিবশিং আর্ট এন্দ কলচর কমপ্লেক্স অমদি বোধচন্দ্র কোলেজদা লৈফম শীনগনি।

মেরা হৌ চোংবা থৌরম অসিগীদমক তঙাইফদবা থবক থৌরাং কয়া লৌখৎলে। চীংগী মফম কয়াদগী লাক্কদৌরিবা চীফশিং, খুল্লাকপশিংগা লোয়ননা থৌরম অসি কংলা অমদি সনা কোনুংদা পাঙথোক্কনি। থা অসিগী ২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মেরা হৌ চোংবগী থৌরমদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা চীফ গেষ্ট ওইগনি। মণিপুরগী নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা প্রসিদেন্ট অমদি আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইগনি হায়নসু মখা তাখি। মখা লামায় ৩ কলম ৬





HL-B/5552/21/10-20/11